# ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী খ্বাইদগী ফবা পুলিস আউট পোষ্ট অমদি ভি দি এফ পার্সোনেলশিং পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ককচিং, জুলাই ২৮ (এস এন এস )ঃ

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পুলিস আউট পোষ্টশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী নীংথিনা মথৌ তৌবা আউট পোষ্ট অমসুং নীংথিনা মথৌ পাঙথোকপা ভি দি এফ পার্সোনেলশিংবু ককচিং পুলিসনা মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।



ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা ঙসি পাঙনতাবী মার্কেট সেদতা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী ফবা আউট পোষ্ট এৱার্দ ২০১৯ অমসুং মথৌদা কখোকপা ভি দি এফ পার্সোনেলশিংদা মনা পীবগী থৌরমদা এস পি ককচিং ভিক্টোরিয়া য়েংখোম, এদিস্নেল এস পি (এল ও) লুনখোমাং খোংসাই, এদিস্নেল এস পি (ওপস) ঐচ রামেশ্বর শর্মা, ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী ও সি মাইবম দিগবিজয় মৈতৈ, পল্লেল পুলিসকী ও সি এম এস মৈস্নাম, সুগুনু পুলিসকী ও সি তখেল্লম্বম ইনাওবী, ৱাইখোং পুলিসকী ও সি টিঐচ বুলবুল, ৱাঙ্গু পুলিসকী ও সি টি মৈনো, হিয়াংলম পুলিসকী ও সি টিঐচ দামু,অরোং নোংমাইখোংগী ও সি শান্ত, ককচিং কম্মান্দোগী ও সি নিঙোম্বম তিকেন অমদি মকোক থোংবা পুলিস ওফিসারশিং অতৈ পার্সোনেল কয়া শরুক য়াখি।

চহী অসিগী ওইনা ৱাঙ্গু লমখাই পুলিস আউট পোষ্টনা খ্বাইদগী ফবা আউট পোষ্টকী মনা ফংখ্রে। অদুগা আউট পোষ্ট অসিগী ভি দি এফ পার্সোনেল কোঞ্জেংবম বোয়াই সিংহদা বেষ্ট টর্নআউট এৱার্দ ২০১৯ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে। ভি দি এফ পার্সোনেল ২৭ অমসুং পোষ্ট কম্মান্দর এ এস আই অমদসু সার্টিফিকেট অমসুং শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

ঙসি মনা ফংখিবা ভি দি এফ পার্সোনেশিং অদুদি ৱাংঙু লমখাই আউট পোষ্টকী কোঞ্জেংবম বোয়াই, অসেম ইবোস্না, সিংতোম আউট পোষ্টকী এলাংবম অভিরাম, নিংথৌজম সুরন, উমাথেল আউট পোষ্টকী খুন্দ্রাকপম রোমিও, য়ুম্নাম সোমোরজিৎ, সেকমাইজিন আউট পোষ্টকী লাইশ্রম রোমেস অমদি এলাংবম সুনিল, সোরা আউট পোষ্টকী উসম ইতোম্বা অমদি জহিদ হুসেন, রিজার্ভ লাইন ককচিংগী সাপম সোহদেব, সরাংথেম সঞ্জোয়, এদিস্নেল এস পি (এল ও)গী নোংথোম্বম হেম্বা, এস পি ওফিসকী রন্নর নোংমাইথেম প্রেম, নাওরেম রামো, ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী সোরোখাইবম অথোই, ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী চিরোম মোমোচা, ৱাঙ্গু পুলিস ষ্টেসনগী লোইতোংবম কুমারজিৎ, সুগুনু পুলিস ষ্টেসনগী নাওরেম নিরান্দা, পল্লেল পী এসকী থৌনাওজম নরেন্দ্র, অরোং নোংমাইখোং পি এসকী ওইনাম ইনাওবা, হিয়াংলম পি এসকী নোংমাইথেম জয়েন্ত, ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ককচিংগী য়েংখোম কান্ত, ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস সুগনুগী য়ুম্নাম মিলন, এম টি ও ককচিংগী লাইশ্রম অমরজিৎনি। অদুগা পোষ্ট কম্মান্দর ওইনা মনা ফংখিবশিং অদুনা ৱাঙ্গু লমখাই আউট পোষ্টকী এ এস আই অথোকপম বসন্ত সিংহনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ভি দি এফ পার্সোনেলশিংগী য়ুনিফোর্মসু য়েন্থোকখি হায়রি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা এস পি ককচিং ভিক্টোরিয়া য়েংখোম্না হায়, ভি দি এফ পার্সোনেলশিং অসি মণিপুর পুলিসকীদি য়াংলেন শরুগুম্বনি। মখোয়না পুলিসকী থবক্তা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরি। মশানা মশাবু থাজবগা লোয়ননা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক মখা তানা তৌমিন্নবা তঙাইফদে। থবক খূদিংমক্তা অপেন পেন্দা হায়বসিদি লৈগনি। ভি দি এফ পার্সোনেলশিংগী পেন্দবা লৈরকপদা নীংথিনা তানরগা সোল্ব তৌনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

এস পি ভিক্টোরিয়ানা হায়, হৌখিবা চহী ২০১৮ নভেম্বর ৫ দা ষ্টেট অসিগী ইহান হানবা ওইনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা হৌদোকখিবা সাইকল পেট্রোল য়ুনিটকী কান্নবা কয়া ফংবা ঙম্লি। মসিমক মণিপুর পুলিসকী মায় ওইবদা নত্তনা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদসু হৌদোরক্কদৌরে। ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সাইকল পেট্রোল য়ুনিটনা মায় পাকপা অসিদা ভি দি এফ পার্সোনেলশিংগীসু অচৌবা থৌদাং য়াওরিবনি। মতুংদসু হেন্না মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়না আপিলসু তৌখি।

# ‘নুঙ লৈঙোই পেকপদা রিগুলেট তৌগনি হায়বসিদা লৈবাক ইরাং থোক্তনবা চেকশিনবা মথৌ তাই’

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (এস এন এস )ঃ

তুরেলশিংদগী নুঙ, লৈঙোই পেকপদা অথিংবা থন্লিবা অসিগী মতাংদা লৈবাক ইরাং থোক্তনবা পুম্নমক্না য়ানবা মওংদা চেকশিন্না থবক তৌবা মথৌ তাই হায়না থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিগী কনভেনর টিঐচ ইনাওচানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ৩১ লাক্লিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা হিরম অসিগী মতাংদা খন্নগনি হায়বসি থাগৎনিঙাইনি।

নুঙ লৈঙোই পেকপদা রিগুলেট তৌনবা হোৎনবদা ষ্টেক হোল্ডরশিং শরুক য়াহনগদবনি হায়রদুনা রিগুলেট তৌবা অসি অচুম্বা অফবা লম্বীনি হায়না লৌই। মসিনা অকোয়বগী ফিভম কায়হন্দনা তুরেলদসু অকায়বা পীদনা নুঙ লৈঙোই পেকপগী থবক তৌবা য়াগনি। নুঙ লৈঙোই পেকপা শিন্নী অমদি মথৌ তাবা মীগী মশীংদগী তঙাইফদনা শীজিন্নদবা য়াদ্রবা ঈশিং লৈবা ঙমজদবা, তুরেলগী ঈশিং শীজিন্নবা মীওইগী মশীংনা হেল্লি হায়বসি খঙমিন্নবা চুমগনি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেষ্ট, এনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং খরদা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবা ‘সষ্টেনেবল সেন্দ মাইনিং মেনেজমেন্ট গাইদলাইন্স ২০১৬’ গী কাঙলোন মখাদা রিগুলেট তৌগদবনি। গাইদ লাইন অসিগী মতুং ইন্না তুরেলদগী নুঙ, লৈঙোই পেকপা হায়বসি খূৎনা পেকপা (মেন্যুয়েল) খক্তমক ওইগদবনি। অদুগীসু মথক্তা এনভাইরোনমেন্ট এসেসমেন্ট ওথোরিটিগী অকুপ্পা মীৎয়েং মখাদা ওইগদবনি হায়রি।

থৌবাল তুরেল নত্তনা অতোপ্পা তুরেলশিংদি খূৎনা নুঙ লৈঙোই পেকপনি। মরম অসিনা হায়রিবা মফমশিং অসি রিগুলেট তৌবদা অরুবা ওইরোই। অদুবু থৌবাল তুরেলগীদি অচৌবা মেছিন শীজিন্নদুনা নুঙ লৈঙোই পেকপনা মফম কয়াদা কোম মশীং থিঙমদনা লৈরে। দাম কয়া লৈখিবনা নুঙ, লৈঙোই চেহ্নরকপগী চাংসু নেম্লে। মরম অদুনা থৌবাল তুরেলগী রিগুলেট তৌবগী ৱাফম খন্ননিঙাই লৈতে। করিগুম্বা থৌবাল তুরেলদা লিজ অমদি লাইসেন্স পীনবা হোৎনরবদি অমুক হন্না কোর্টতা ৱাকৎপগী মথক্তা হান্নদগী হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই।

থৌবাল তুরেলগী ওইনা রিগুলেট তৌবগী মহুৎ রেষ্টোর তৌনবা খন্নবিগদবনি। মশাগী পট্টা পায়বা লমদা নুঙ লৈঙোই পেক্লবসু তুরেলগী ইচেলদা লৈনাং মরিক অমফাওবা চেহ্নহল্লকপা য়ারোই। নুঙ লৈঙোইনা অয়াম্বা ওইবনা তুরেলগী ইচেলদগী খজিক লাপথোক্লবসু অনৈবা ইচুমদি ইফাওদা ফাওনৈ হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# মচি সব দিভিজনেল হেদ ক্বার্টরদা লৈবা মচি গভর্ণমেন্ট হায়স্কুলগী অৱাৎপা ওঝা হাপ্পিয়ুঃ কেঐচ মোরুং

মচি, জুলাই ২৮ (এস এন এস )ঃ

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি সব দিভিজনেল হেদ ক্বার্টরদা লৈবা মচি হায়স্কুলগী অৱাৎপা ওঝা অথুবা মতমদা হাপ্পিয়ু অমদি স্কুল অসিগী বিল্ডিং নীংথিনা শেমজিনবিয়ু হায়না এ দি সি চান্দেলগী মেম্বর কেঐচ মোরুংনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা তকশিনখ্রে।

এ দি সি চান্দেলনা স্পোন্সর তৌরগা রুরেল ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না শীন্দুনা মচি হায়স্কুলদা পাঙথোকপা মেগা ফ্রি হেলথ কেম্প কা মরী লৈননা এ দি সি চান্দেলগী ট্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস অমদি এম আইগী এগজিকুটিভ মেম্বর কেএসএম মেথিউ, মেম্বর এম মোরুংসনগা লোয়ননা স্কুল অসিগী ফিভম য়েংশিল্লুবদা অৱাৎ অপা কয়া লৈরম্বা থেংনরকখিবনি।

কেঐচ মোরুংনা ফোঙদোক-খিবদি ক্লাস ৱানদগী টেন ফাওবা লৈবা মচি গভর্ণমেন্ট হায়স্কুলদা শুপ্নতগী ওঝা ৮ খক লৈরমখি। সাইন্স গ্রেজুয়েট ওঝা ৫ লৈফম থোকপদা অমখক লৈরম্বা অদুসু এসিস্টেন্ট হেদ মাষ্টর ওইনা প্রমোসন পীখিবদগী সাইন্স গ্রেজুয়েটকী ওঝা অমত্তা লৈতবগা মান্নরে। আর্টস গ্রেজুয়েট ওঝা ৪ লৈগদবদা অমখক্তমক লৈ। প্রাইমারি ওঝা ৬, এল দি সি ১, গ্রেদ ফোর ২ সু লৈরমখি। সেকেন্দরি সেক্সনগী তঙ্গিনবা ওঝা ৱাৎপনা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাদবা কয়া পীরি। মচি অমদি অকোয়বদা লৈবা খুলশিংদগী মহৈরোয় ১৩১ না মহৈ মশিং তন্লি অমদি চীংগী লম ওইবনা লাইরবা মমা মপা শিংনা অরাপ্পা মফমদা মচা মশুশিং থাদুনা মহৈ তমহনবসু ঙমদে। মরম অদুনা স্কুল অসিগী অৱাৎপা ওঝাশিং হাপ্পিনবা অমসুং বিল্ডিং মতিক চানা শেমজিনবিনবা মহাক্না গভর্ণমেন্টকী পূক্নিং চিংশিনখি।

মসিগী মতাংদা স্কুল ওথোরিটিগী মায়কৈদগী এদুকেসন মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা জেদ ই ওদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা কয়ারক হন্না হায়জখিবা লৈখ্রে। অদুবু থবক ওইনদি পাঙথোকপিরক্তঃবসি নুংঙাইতে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মেগা ফ্রি হেলথ কেম্প অদুদা ডাক্তর ৪ না মহৈরোয় অমদি খুঞ্জা কয়াগী মশা মউ চেক তৌখি। লেবোরেটোরি টেষ্টকী খুদোংচাবসু পীখি, হিদাক লাংথকসু লেম্না ফংহনখি হায়রি।

রুরেল ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী এদভাইজর মোসেস মোরুংনা ফোঙদোকখিবদি চীংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা অনা লায়েংবগী থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু য়েংলগা এ দি সি চান্দেলনা স্পোন্সর তৌরগা মেগা হেলথ কেম্প অসি পাঙথোকপনি।

## আয়ুস হেলথ কেম্প পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, জুলাই ২৮ (এস এন এস )ঃ

ষ্টেট আয়ুস সোসাইটি দিরেক্টোরেট ওফ আয়ুস লম্ফেলপাৎনা য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব খাঙবোক্কা খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা ফ্রি আয়ুস হেলথ কেম্প ঙসি খাঙবোক মৈস্নাম লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

পব্লিক হেলথ আউটরিচ এক্টিভিটিগী মনুংচন্না পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা খাঙবোক মৈস্নাম লৈকাই অমদি অকোয়বগী মীওই কয়া লেম্না লায়েংগা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু ফংহনখি হায়রি।

## আইমোল সতুদা কার্গিল দিবস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (এস এন এস )ঃ

তরানিপাল অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা কার্গিল লান নীংশিং থৌরম পল্লেল মমাঙদা লৈবা আইমোল সতু ভিল্লেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কার্গিল লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা ভিল্লেজ অসিদগী জিরনৈথাংগী নীংশিং খুভমদা লৈশু কত্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা ১৮ এ আরগী কম্মান্দেন্ট কর্নেল অজিৎ ক্ষেত্রি, বি কোইগী কম্মান্দর দেবেন্দ্র অমদি লৈখিদ্রবা সহিদ জিরনৈথাংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং শরুক য়াখি। লৈখিদ্রবা জিরনৈথাং অনীশুবা নাগা রেজিমেন্টতা থবক তৌরম্বনি।

## এম বি এগা মরী লৈনদে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (এস এন এস )ঃ

শগোলবন্দ লুক্রাম লৈরক মচিন্দা বার্বর (শম ককপা) সঞ্জোয় কৌবা অমনা মওং মরিল তাদনা ঙাং শকখিবা থৌওং অদু মণিপুর বার্বরস এসোসিয়েসন (এম বি এ)গা মরী লৈনদে। সঞ্জোয় হায়রিবা মীওই অদুসু এসোসিয়েসনগী মেম্বর নত্তে হায়রি। মেম্বরশিংনা ৱাকায় ওইগদবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নবিগনু। হৌজিক্কী ওইনা মেম্বর মখা তানা লৌশিনখিরোই। এসোসিয়েসন অসিদা কনাগুম্বা অমত্তনা কিহন খঙহল্লকপসু লৈতে হায়না ওফিস সেক্রেটরী এ সরতনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

# জে ইদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নসি

ককচিং, জুলাই ২৮ (এস এন এস )ঃ

ককচিং অমদি খুল্লোন্নরিবা মফমশিংদা কাঙ মখল অমনা জপানিজ এন্সেফলাইটিস হায়বা তমথিরবা লায়না শন্দোরকপগী পাউ তানরে। মরম অসিনা কাঙ মরুম কোকপা ঙমদনবা ইশা ইশাগী য়ুমগী অকোয়বা অমদি শা-ষণগী শঙ্গোন নীংথিনা শেংদোত্তুনা থম্বীবগা লোয়ননা ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈবা য়াবা তেঙ্কি, নালা, শীজিন্নদ্রবা কোল্লিক, তয়ার, চফু মচেৎ অমদি ওপন লেত্রিন নীংথিনা চেক তৌবিয়ু। তুম্বা মতমদা অফবা কাঞ্জল শীজিন্নদুনা কাঙনা চিক্তনবা হোৎনবদা নত্তনা অয়ুক নুংথিলগী মতমদসু কাঙনা চিক্তনবা চেকশিনবিয়ু হায়না ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কাউন্সিল অসিগী এরিয়াদা লৈবা মীয়ামদা আপিল তৌরি।

চিয়ারপার্সন এন সঞ্জিবকুমার সিংহনা ঙসি থোকখিবা চেরোলনা মখা তানা হায়রিবদি লায়না অসি ওকতগী শন্দোরকপা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈবনা মীয়াম লৈনরিবা য়ুম্লক্তা হায়বদি লৈনরিবা য়ুমদগী মিটর ১০০ গী মনুংদা ওক্কোন শাদুনা ওক লোইশিনবা লোনা য়াদে। মরম অসিনা য়ুম্লক্তা ওক লোয়রিবশিংনা ঙসিদগী থা অহুমগী মনুংদা ওক লোয়বা তোক্কদবনি। করিগুম্বা মখা তানা অদুমক লোইশিল্লবদি লোগী মখাদা অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

# লফুপাৎ তেরা অমদি কৈরাও ৱাংখেমদা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (এস এন এস )ঃ

কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা পান্দমদা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কৈরাও ৱাংখেম অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লফুপাৎ তেরাদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বসিদা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ৱাংখেমদা লৈবা নোংমাইলৈমা মৈরা পায়বী দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন অমসুং কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা পূন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা চনম সন্দ্রোক জি পিগী উপ প্রধান পুথেম ললিতাবী, কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপনজিৎ নিংথৌজম, কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম ওংবী মেমচৌবী অমসুং ৱাংখেম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট চীংঙাখম তরুমালানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। অদুগা ওল মণিপুর ৱুমেন সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজগী প্রসিদেন্ট থোকচোম ওংবী রমনি অমসুং কাদাগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর অকিং গাংমৈনা রিছোর্স পাসন ওইখি।

লফুপাৎ তেরা ময়ায় লৈকাইদা লৈবা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার ক্লব অমসুং কাদা খূৎশম্নদুনা লফুপাৎ তেরা ময়াই লৈকাই বামোন মান্দবতা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমসু পাঙথোকখি। মদুদা লফুপাৎ কোন্নাখোং জি পিগী উপ প্রধান নিংথৌজম মঙলেম্বা, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার অমসুং কোন্নাখোং পুলিস আউট পোষ্টকী ও সি থোকচোম দেবেন, ৱার্দ নম্বর টুগী মেম্বর নিংথৌজম জিতেশোরি, সোসিয়েল ৱেলফেয়ার ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরী সলাম ইরাবতসু শরুক য়াখি। অদুগা লৈমকোলগী প্রসিদেন্ট এম সি রিতানা রিছোর্স পার্সন ওইখি হায়রি।

# শজি অমা কল্লগা থাদোকপিখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (এস এন এস )ঃ

ইঙৌরোক মখা লৈকাইদগী কৈশাম সুবোল কৌবা অমগী য়ুমদা মীয়াম্না তান্নরকপা শজি অমা চেনশিনখ্রে হায়বা পাউ ফংবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা শজি অদু কনবগা লোয়ননা পিপলস ফোর এনিমেল মণিপুরদা শিন্নরবা মতুং ফার্ষ্ট এইদনচিংবা পীরগা মফম চাবদা থাদোকপিখ্রে।

পিপলস ফোর এনিমেল মণিপুরগী মেনেজিং ট্রষ্টি এল বিশ্বাজিৎ মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কৈশাম সুবোলগী য়ুমদা শজি অমা চেনশিনখ্রে হায়বা পাউ ফংবদগী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ইন্সপেক্টর এ নবকান্ত শর্মা অমদি এস আই কিরন্না লুচিংবা টিম অমনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা শজি অদু কনখিবনি।

পিপলস ফোর এনিমেল মণিপুরদা পাউ পীদুনা শজি অদুবু ফার্ষ্ট এইদনচিংবা পীখি। মখোঙ অমসুং মনাতোনদা খরা শোক্লম্বা থেংনখি। হিদাক লাংথক্লচিংবা হাপ্তুনা তৈদুনা লায়েংলবা মতুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা পাউ পীরগা লমদেং রিজার্ভ ফোরেষ্টকী ষ্টাফশিংগা লোয়ননা মফম চাবা অমদা থাদোকখ্রে।

মতম খরগী মমাঙদসু পুলিস ষ্টেসন অসিনা শজি কনবগা লোয়ননা মফম চাবদা থাদোকখিবা লৈখ্রে। লমলক্কী শা উচেক মীরক্তা তোয়না চেনশিল্লকপগী অকুপ্পা মরম থিদোকপিনবসু ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংদা হায়জখি হায়রি।

# লৌ পানবা য়ানবা লৌমীশিংগীদমক তেঙবাংলকখিবশিংবু থাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (এস এন এস )ঃ

নোং থেংনা অমদি লিক্লা চুবদগী লৌ পানবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা মোংশাঙ্গৈ মখা লৈকাই সোসিয়েল ৱেলফেয়ার য়ুথ ক্লবকী অকোয়বদা লৈবা বামোন লৌকোন, সেনাপটি লৌকোন, তোরোংলাওবী লোকোন অমদি মন্ত্রি লৌকোন্নচিংবদা ঈশিং থাজিন্নবা হোৎনবদা লৌমী অমদি ক্লবকী অৱাবা খঙবিদুনা তেঙবাংবিরকপশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

সোসিয়েল ৱেলফেয়ার য়ুথ ক্লবকী প্রসিদেন্ট কেঐচ হেরাচন্দ্র সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অৱাবা তারবা লৌমীশিংগীদমক তেঙবাংবিরকখিবশিংদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্য আর কে তরুনি দেবী লুপা লিশিং ৫, মোংশাঙ্গৈ জি পিগী প্রধান এস নন্দেশ্বরি দেবী লুপা লিশিং ৫, সোসিয়েল ৱার্কর কে মনোরঞ্জন সিংহ লুপা লিশিং ৫, আর কে অনন্দ এক্স এম এল এ লুপা লিশিং ৩ অমদি ৱাটর পম্প সেট ২, সোসিয়েল ৱার্কর ডা. এস মনাওতোন লুপা লিশিং ১০, সোসিয়েল ৱার্কর ও মলেস লুপা লিশিং ৪, লংথবাল নিংঙোম্বম জি পিগী প্রধান গঙ্গা দেবী লুপা লিশিং ২, হিয়াংথাং জিল্লা পরিষদকী মেম্বর এস সিলাসনা দেবী লুপা লিশিং ১, হৈরাঙ্গৈথোং জিল্লা পরিষদ মেম্বর টিঐচ ঘনশ্যাম লুপা লিশিং ৫, মোংশাঙ্গৈ জি পিগী ৱার্দনম্বর ১ গী মেম্বর এস রূপোবতি দেবী লুপা লিশিং ১০ অমসুং বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরী এম ধনেশ্বর সিংহনা পম্প সেট অমনি হায়রি।

সাইন্টিফিক হরস্কোপ/ পাঞ্জি তম্বা

Scientific Horoscope Centre, Babupara না Scientific ওইবা মওংদা থা ৩ গী পাঞ্জি তম্বগী কোর্স অনীশুবা বেটচ লোইখিদুনা অহুম (৩) শুবা বেটচ তাং ৫।৮।২০১৯ দগী হৌজরগনি। পাঞ্জিগী মহৈ অসিবু হৈনিংবা মীওইশিংনা মখাদা পীরিবা Contact No. অসিদা নৎত্রগা ওফিস্তা লাক্তুনা উনবিয়ু। Class 6.30 a.m. to 8.30 a.m.

Budhi Leishangthem

SL/B/15 days # 8119046868

# বিনোদিনিনা ইবা নোভেল ‘উরমিলা’ জিরিবামদা ফোঙখ্রে

জিরিবাম, জুলাই ২৮ (জে এন এন )ঃ

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী বাবুপারাদা লৈবা জিরি ন্যুজ নেট ৱার্ক (জে এন এন)গী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এস বিনোদিনি সিংহানা ইবা ‘উরমিলা’ হায়না মিংথোনবা নোভেল লাইরিক ফোঙখ্রে।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ জিরিবাম্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা এস মনিতোন সিংহ, পরিষদ অসিগী প্রসিদেন্ট এস খোগেন্দ্র সিংহ অমসুং মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি ইন্দিয়াগী জেনেরেল সেক্রেটরী খাইদেম কান্ত সিংহনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইখি।

থৌরম অদুদা এস মনিতোন্না হায়, ঐখোয়গী লোন্দা ইবা লাইরিকশিং অসি পাবগী চাং য়াম্না ৱাংলি। ঐখোয়গী লোন অমদি লাইরিকশিং অসি পাবিয়ু লোয়ননা অইবশিংনসু মখল মখা কয়াগী লাইরিক লেপ্পা লৈতনা ফোঙবা ঙম্বা ওইসনু।

খাইদেম কান্তনা হায়, ঐখোয়না ঐখোয়গী লোন য়োকখৎনবা হোৎনমিন্নসি। হৌজিক্কী মতম অসিদা ঐখোয়গী লোন্দা ইবা লাইরিক ফাওবা পানিংদ্রে, লৈবদি লায়রদনা লেম্না পীরবা ফাওবা পাবিদ্রে। অসিগুম্বা কয়ানা থকশি খাশি ৱাৎলক্কে। অহল লমনশিংনা লাইরিক হৈরগা লাইশু খঙদবা হায়রম্বদু য়াম্না মরৌ লৈবা অচুম্বা ৱানি। মরম অদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী চৎনবী, থকশি-খাশি ঙাক্না চৎপগা লোয়ননা লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈগদবনি। অইবশিংনসু মখল মথেলগী লাইরিক কয়া ইবিগদবনি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ জিরিবামগী প্রসিদেন্ট এস খোগেন্দ্রনা হায়, ঐখোয়না ঐখোয়গী লাইরিক পাবিদে হায়রিবা অসি অমরোমদা হায়রগদি বঙ্গালি ময়েক্তা তন্লকপা হৌজিক্না মণিপুরী ময়েক তন্লকপা অসিদগীনি হায়না লৌই। অদুনা ঐখোয়গী মরক্তা মণিপুরী স্ক্রিপ্ট খঙবা, বেঙ্গোলি খঙদবা অদুগা বেঙ্গোলি স্ক্রিপ্ট খঙবা মণিপুরী স্ক্রিপ্ট খঙদবা কয়া য়াওরকপা অসিনা লোনগী অৱাবা মায়োক্নরিবনি। অমরোমদা ঐখোয়গী মীয়ামসু লাইরিক পাবগী হৈনবী খরদি ৱাংলি, মসি থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসিদা নত্তনা মখা তানা লাইরিক কয়াসু ফোঙবা ঙম্নবা ঐখোয় পূন্না হোৎনদুনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ জিরিবাম অসি য়োকখৎমিন্নসি।

# শিংজমৈ য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেনস শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (এস এন এস )ঃ

শিংজমৈদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লব ২২ গী মীহুৎশিংগী অপূনবা মীফম ঙসি অয়ুক চীংঙামথক কলেজ রোদতা লৈবা সি আর ৱাই দি এগী শঙলেন্দা পাঙথোক্তুনা শিংজমৈ য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (সুকো) শেমখ্রে।

মীফম অদুদা শিংজমৈ কেন্দ্রগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ সিংহ, শিংজমৈ কেন্দ্রগী মনুং চনবা আই এম সি ৱার্দ ৩গী কোর্পোরেটরশিংসু শরুক য়াখি।

মখা তানা মীফম অদুনা সুকোগী থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে। মখোয়শিং অদুদি নিংঙোম্বম সিংহজিৎ সিংহ প্রসিদেন্ট, নামৈরাকপম বোবি সিংহ, ওমাজিৎ লৈশাংথেম, রুহিট সাপম অমদি চনম অনিলকুমার পূম্নমক ভাইস প্রসিদেন্ট, লৈশাংথেম নাওবী জেনরেল সেক্রেটরী (এদমিন), অহৈবম পান্থোই সিংহ জেনরেল সেক্রেটরী (ওর্গনাইজেসন), ওক্রম মোংয়াম্বা অমদি সাপম জিতেন সিংহ অনীমক জোইন্ট সেক্রেটরী, থোঙাম অজিৎকুমার পব্লিসিটি সেক্রেটরী, খুমন্থেম সঞ্জিৎকুমার সিংহ এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরী, অকোইজম সঞ্জোয় সিংহ অমদি থিঙুজম ওংবী অয়েকপম রানিতা অনীমক এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী, সোইবম কিরন সিংহ স্পোর্টস সেক্রেটরী, সনসম সোনি সিংহ এসিষ্টেন্ট স্পোর্টস সেক্রেটরী, আর কে ইমো ফাইনান্স সেক্রেটরী, লৈমপোকপম জোন্সন (বাবু) এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরী, ককচিংতাবম গুনচন্দ্র ঐচ আর দি সেক্রেটরী অমদি ডা. লোংজম রিতেন্দ্রো সিংহ জোইন্ট ঐচ আর দি সেক্রেটরীনি।

এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা খনখ্রবশিং অদুদি সনসম বালেনকুমার সিংহ, নোংমাইথেম বোয়াই মৈতৈ, হৈক্রুজম বিলান সিংহ, খ্বাইরাকপম নিরমল, লোইতোংবম রোমিও, য়েংকোকপম ধনঞ্জোয়, ওক্রম সঙ্করজিৎ সিংহ, সনবম চীংলেন মৈতৈ, থোইবা লৈশাংথেম অমদি কোন্সম লতাস্না দেবীনি।

সুকোগী এদভাইজর অহুমসু খনখ্রে। মখোয়শিং অদুদি নামৈরাকপম রুহিটরঞ্জন (মাইকেল), ককচিংতাবম ভোগেন্দ্রো শর্মা অমসুং লাইশ্রম ধোনে সিংহনি। অসিদসু নত্তনা ওদিটর ২ অকোইজম প্রেমচান্দ সিংহ অমসুং উরিকখিনবম তিকেন সিংহবু খনখ্রে।

## ঙসিগী রাষি ফল (২৯-০৭-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** হকচাং ৱাখল নুংঙাইবা ৱাৎপা, লম চৎপা মী তিন্নবা হৈশিংবা শেল চৎপা মতম্লি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্লি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪, ৫ অফবনি।

**মিথুনঃ** চাউখৎপা, খুদোংচাবা থেংনবা, অচৌবা মচা খায়দনা নুংশিবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অফবা পাউ তাবা মতম্লি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৫,৬,৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** খৎনবা, শোক্কনবা মতম্লি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। লমতু চৎপা কান্নগনি। অফবা মীগা তিন্নবা তাবনি। অরুবদি পাঙথোল্লুগনি। নক্ষত্র ৭,৮ ফগনি, ৯ ফত্তে।

**সিংহঃ** খৎনিংবা মতম্লি। চখোক চৎশিন্দা হেন্না চেকশিনবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। শেল চৎপা মতম্লি। নক্ষত্র ৯ ফত্তে, ১০ ফগনি, ১১ ফত্তে।

**কন্যাঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা মতম্লি। অচৌবা ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১১ ফত্তে, ১২ ফগনি, ১৩ চাং অমদা লৈরগনি।

**তুলাঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। লম চৎপা হৈ শিংউ। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৩ ফত্তে, ১৪,১৫ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** খৎনবা, শাওনবা, মত খেন্নবা মতম্লি। অফবা ৱাখল অফবা মীগা তিন্নবা তাবনি। অরুবদি পাঙথোল্লুগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৬, ১৭ অফবনি, ১৮ ফত্তে।

**ধনুঃ** খৎনবা, শাওনবা, তোখাই তাবা মতম্লি। লম চৎপা হেন্না চেকশিনবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০, ২১ ফগনি।

**মকরঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা য়াবা মতম্লি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২১,২২,২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** অফবা পাউ তাবা, য়েক্লবা হন্থবা মতম্লি। লমতু চৎপা কান্নগনি। ঐগী মী মশীং হেনগৎলগনি। ইমুংদা মত মান্নরগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** চরক চহিং নাইবা , খৎনবা, শোক্কনবা মতম্লি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই। পোৎ লৈবা য়াগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৫ ফগনি, ২৬ ফত্তে, ২৭ ফগনি।







